**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-11-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৫-১১-২০২৪, য়ুমশকৈশা)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-কনাদাদা হিন্দুগী লাইশঙ অমদা চথুখিবা এতেক্ট অদুবু পাংদবগী থৌওংনি। থৌওং অদবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কনাদানা খালিষ্টানগী টেরোরিষ্ট, ক্রিমিনেল অমদি গেং খুৎপুশিংগী য়োকখৎতুনা ভারতকী মায়োক্তা থবক কয়া চথুরি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিনা ভারতকী মশক থিহন্নবা হোৎনবতা নত্তনা থবক থৌরম কয়াদা অয়েৎপা পীরি। হিন্দুশিংগী লাইশঙ অমদা এতেক্ট চথুখিবা অদু পাঙদবগী থৌওংনি। অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থৌওং অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামা য়াবা ঙম্লোই। থৌওং অসিগীদমক ভারত মচাশিং অমদি মালেমগী মীয়ামা কনাদা সরকারবু য়ানিংদবা ফোঙদোকফম থোকই।

নাকল অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মহৈরোইশিংগী নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুরনা চহী নৌরিবা মহৈরোইশিংদা অমত্তা ওইবা অমদি লৈবাক নিংবগী ইনোট অমা হাপ্লগনি। ঙরাং মণিপুরগী মহৈরোইশিং রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উনবা অদুগা মরি লৈননা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মহৈরোইশিংগী ইন্টিগ্রেসন টুরগা মরি লৈননা রাষ্ট্রপতিনা মহৈরোইশিংগা উনদুনা মখোয়গী পুকিং থৌগৎখিবা অসি নঙাইবা পোকই। মহৈরোইশিংগী অসিগুম্বা খোঙচৎ অসিনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পোকহনবতা নত্তনা শান্তি অমসুং লৈবাক নিংবগী ইথিল অমা পীবা ঙম্লগনি। লোয়ননা নহা ওইরিবা মহৈরোইশিং অসিদা দাইত্ব লৈবা লৈবাক্কী নাগরিক অমমম ওইবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মসিদা শকখঙদবশিংনা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা খুৎলাই কয়া অমা ফাগৎলে হায়না পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়-বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা আইগেজাং অমসুং উইয়োক নালাদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলাই ফাগৎপা ঙল্লে। ফাগৎলবা খুৎলাইশিং অদুদা এস.এল.আর অমা, স্নাইপর রাইফল অমা, বোল্ড এক্সন রাইফল অনি, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৮, কেয়র স্মোক সেল ১১, রবর বুলেদ মরি, ইষ্টন গ্রেনেদ অনি, রেদিও সেট অমা, বুলেদ পুফ জেকেট অহুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া অমশু য়াওরি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা কে.বংফাই ভিলেজতা রেট চত্থবদা মীওই অনি য়ু শুংবদা শিজিন্নবা মচাংশিংগা কোন্ননা ফারে। পুলিসকী কাংবু অদুনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী এল.এফ.সি.ইন দা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়ুঙৌ লিতর লিশিং ১,৫০০ অমসুং কেন বিয়র ৫০০ ফাগত্তুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

**ফয়েং(এল)ঃ** চকপা ফয়েংগী মহৈরোলদগী চত্থদুনা লাকপা চহীগী থৌরমশিংগী মনুংদা অঙাং পুন্না নাহুৎ নারেং তম্বগী থৌরম ঙরাং খুলগী খুল্লাকপনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখ্রে। ফয়েং অৱাং লৈকাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু খুল অসিগী চহী অহুম চংলকপা অঙাংশিংগী অমুক্তদা পুন্না পাঙথোকপা খুলগী থৌরম পরেংগী মনুংদা অমনি। হায়রিবা চৎনবী অসি চকপা ফয়েং খক্তদা চত্থবা থৌরম অমনি। খুল অসিনা খুন্থোক্লকপদগী ঙসি ফাওবদা কাংলোন কাইদনা লেপ্তুনা চত্থরক্লি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা চকপা ফয়েংগী খুল্লাকপা নিংথৌজম তোয়াইনা হায়-লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা চত্থরকপা লিক্লম অদু ঙসি ফাওবা কাইহন্দনা থমবা হোৎনরি। মতমগী মতুং ইন্না চৎনবীশিং খজিক খজিক হোংলকপনা অশেংবা মশক মাংখিবা য়াবগী অকিবা লৈনরিবনি।

**এআর(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা খুগাদা আইন কাইনা পুশিল্লকপা লূপা কোতি অনি হেনবগী ক্বা সুপারি মরুশিং অসাম রাইফলস অমদি পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা ফাগৎখ্রে। ক্বা সুপারি মরুশিং অদু তোঙান তোঙানবা গারি মরিদা লোৎতুনা পুরম্বদগী সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অদুনা চেক তৌবদা ফাগৎখিবনি। ফারবা মীওইশিং পোৎলমশিং অদুগা কোন্না মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর চুরাচান্দপুরদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা,অসাম রাইফলসনা ককচিং জিলাগী সেরৌদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। অসাম রাইফলসনা মীয়ামগী য়াইফনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা রিলিফ কেম্প অসিদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমশু পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা, কেম্প অদুগী অকোয়বদা ফোগিংনচিংবসু কাপথোকখি।

**ইকো(এল)ঃ** ৱাতর কনজর্বেসন এন্দ ৱাতর মেনেজমেন্ট হায়বা হীরমদা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং হৈরোক পার্ট ২ দেবী মান্দপতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু কেন্দ্র সরকারগী জল শক্তী মন্ত্রালয়গী রিভর দেভলপমেন্ট এন্দ গঙ্গা রিজ্‌বিনেসনগী মীৎয়েং মখাদা হষ্টর্ণ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ৱাতর এন্দ লেন্দ মেনেজমেন্ট টেজপুর, রাজ্য সরকারগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, ইকো নেটৱার্ক হৈরোক অমসুং য়ুনাইতেদ প্রোগ্রেসিভ ফার্মর এসোসিএসন্না পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি। লৌমী ১৫০ হেনবনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এসিসটেন্ট প্রোফেসর ডা.সি.ঐচ ভিক্তোরিয়ানা

নোংগী ঈশিং য়োকশিনবা অমদি ঈশিং নিংথিনা শিজিন্নবগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**স্কিমঃ** সরকারনা হায়রি-পি.এম বিস্বকর্ম স্কিম হৌদোকপদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই মিলিয়ন ২৫ হেনবনা দরখাষ্ট পিশিল্লক্লে। মসিগী মনুংদা তাঙ্কক অহুমথোক া ভেরিফিকেসন তৌরবা তুংদা মীওই মিলিয়ন ২ হেন্না রেজিষ্টর তৌরে। মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস মন্ত্রালয়না হায়-লৈবাক অসিগী আর্তিসানশিং অমসুং ক্রাফট পর্সনশিংবু হেন্না শক্তি পীনবা পান্দমদা মমাঙ চহীগী সেপ্তেম্বরদা হৌদোকখিবা স্কিম অসি মীয়ামা পামবা অমা ওইরে। স্কিম অসিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা আর্তিসান মিলিয়ন ১ রোম মখোয়গী খুৎশু খুৎলাই লৈনবা টুল কিট ইন্সেন্টিভকী মখাদা লূপা লিশিং ১৫-১৫গী কানবা ফঙলে। মন্ত্রালয়না হায়-স্কিম অসিনা সরকারনা আর্তিসানশিং মতেং পাংদুনা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ক্রাফশিং হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনরি হায়বদু তাক্লে।

**অমিত সাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি-লোল ১১বু ক্লাসিকেল লেঙ্গ্যুএজ ওইনা মশক খঙবা লৈবাক অসি মালেমদা ভারত খক্তনি। নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা কেন্দ্রিয়া হিন্দি সম্মিতিগী ৩২ শুবা মীফমদা গৃহ মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। কেন্দ্রিয়া হিন্দি সম্মিতি অসি হিন্দি লোল চাউখৎহন্নবা গাইদলাইন কয়া পুথোক্লিবা খ্বাইদগী চাওবা লূপনি। শ্রী সাহনা হায়-হিন্দি লোল চাউখৎহন্নবা তুংকোইবা পোলিসি অমা শেম্বা তঙাস ফদে। লোয়ননা, হৌজিক তমরিবা লাইরিকশিং হিন্দি লোলদা হন্দোকপগী তঙাই ফদবা লৈ। থৌরম অদুদা, কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি.নদ্দা, সিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান লো অমসুং জস্তিসগী রাজ্য মন্ত্রি অরজন্ রাম মেঘৱান অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়রসকী রাজ্য মন্ত্রি ডা.এল মুরুগান শরুক য়াখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-ঙাস্থোই**

মিজোরামগী সি.এম লালদুহোমানা কুকি জো এক্সত্রা টেরিটোরিয়েল য়ুনিতিগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা, থাদৌ কনভেন্সননা এন.আর.সি চৎনহৱদা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখিবা অমদি নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরু ওইবা পাউ ওইরি।

**সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা** -মিজোরামগী সি.এম লালদুহোমানা কুকি জো এক্সত্রা টেরিটোরিয়েল য়ুনিতিগী ৱা ঙাংলি। খোই মহুমদা চৈনা থিন্দুনা কন্না ওৎখাইরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর নিউজ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতশু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

জিরিবামদা ভাইফৈ নুপী অমা পুলিসনা কনখ্রে হায়বা পাউ অমসু সঙাস এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

থাদৌ কনভেন্সননা এন.আর.সি চৎনহন্নবা, ৱার ওন দ্রগস শৌগৎনবা লেপখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফম পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর নিউজ, সনালৈবাক পাউচে দসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**পিপলস ক্রোনিকলদা**- মণিপুরদা নৌনা দেঙ্গি কেস ১১ থেংনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**হুইয়েন লানপাউদা**- কুকি টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ বোম কাপ্লক্তবদগী নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে হায়না বেনর হেদলাইন তৌরি। নিঙোল চাক্কৌবগী পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোনবা থেংনরি।

**ইচেল এক্সপ্রেসতা** -লালক্তা মণিপুরগী উমং হেক্তর ৯৩ কোকথোক্লল্লে, উপাল কয়া য়াম্থৎলল্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা নাগাগী মীওই অনি তাথি তাওইনা তৌবগা মরি লৈননা এ.টি গী মেম্বর অনি ফারে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**সনালৈবাক্তা** -পাউমাই অনি ফুবদা চেন্নবনি হায়বা এ.টি গী মীওই অমা ফারে। এন.ঐচ-২ থিংখিবদগী তঙাই ফদবা পোৎলম পুশিল্লক্তবা নুমিৎ নিনি শুরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। লম্বী থিংবগী পাউ অসি গানফিউ মেল হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাই তৌরি।

আই.এফ.এফ.আই ২০২৪ গী ফিল্ম ৫ খনগৎপদা মনিপুরি ফিল্ম বুং য়াওরে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

**হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা**- পাউমাই অনি ফুবদা চেন্নবা মীওই অনি ফারে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মতাংদা সিএসওশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউনা টমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলরাই ওইরি।

**--ঙান্থোই--**